## ইটালিগী প্রসিদেন্টনা দিল অমা থুনা পাল্লি

রোম, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি) :
করিগুম্বা ইতালিগী মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লৈবাক অসিদা মীখল ঙন্না পাঙথোকপা পামদবা তারবদি মথংগী নুমিৎ খরনিগী মনুংদা অনৌবা কোলিসন গভর্নমেন্ট অমা শেম্নবগী দিল অমা পুরকপগী খোঙথাং লৈবাক অসিগী হেদ ওফ ষ্টেটনা পাম্মী হায়না ৱাফম অসিগী মরমদা মুন্না খঙবা সোর্স অমনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## সিওলনা ইন্টেলিজেন্স-স্যেরিং পেক্ট ঙাক্লরোই

সিওল, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি) :
পুৱারী অমসুং লল্লোন-ইতিক্কী মতাংদা য়েৎনবা হেনগৎহনগদবা অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা সিক্যুরিটি কোওপরেসন পীনবা হন্থগদবা ৱারেপ অমদা জপানগা ইন্টলিজেন্স-স্যেরিং তৌনবগী পেক্ট ঙাক্লরোই হায়না সাউথ কোরিয়ানা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। ৱারেপ অসি প্রসিদেন্সিএল নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা পুং কয়া চুপ্পা দিবেট তৌনরবা মতুংদা লাউথোকখিবনি।

## য়ু এস অমসুং নোর্থ কোরিয়ানা দিন্যুক্লিরাইজেসনগী দাইলোগ অথুবা মতমদা মখা চত্থবা হৌরগনি



সিওল, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং নোর্থ কোরিয়ানা অথুবা মতমগী মনুংদা দিন্যুক্লিরাইজেসনগী ৱারী মখা চত্থবা হৌরগনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী সিনিয়র ওফিসল অমনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মতম শাংনা লেপ্লুরবা লৈবাক অনীগী নিগোসিএসন খুমাং চাওশিল্লগনি হায়বগী থাজবা হেনগৎহনখ্রে।

সিওলদা সাউথ কোরিয়াগী দেপ্যুটি নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর কিম হ্যুন-চোংনা নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈনবা য়ু এসকী এনভোই ষ্টেফেন বিগনগা উনরবা মতুংদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী প্রোব্লেমগা মরী লৈনবা য়ু এসকী এনভোইগা ৱারী শান্নবদা নোর্থ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অথুবা মতমগী মনুংদা ৱারী মখা চত্থরগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না কিমনা ৱারী শানবা লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা ভিয়েটনামদা পাঙথোকখিবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগী অনীশুবা সম্মিট মায় পাখিদবদগী নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিং লেপহন্নবগী পান্দমদা চত্থরকখিবা নিগোসিএসন লেপ্লকখিবনি।

ট্রম্প অমসুং কিম্না হৌখিবা জুনদা কোরিয়া অনীগী বোর্দরদা অমুক হন্না উনদুনা থবক তৌনবা য়াগদবা মওংদা মখা তানা নিগোসিএসন চত্থবগী ৱাফমদা য়ানখিবনি। তৌইগুম্বসুং নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী অপুনবা মিলিটরি এক্সসাইজশিং অমসুং অনৌবা খুৎলায় কয়া উৎপগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অতেনবা রেঞ্জগী মিসাইল কয়া পরিং নাইনা কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখি।

লৈবাক অসিনা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইনবুসু মশাগীতা খন্দুনা অতৈগী থবক থৌরমশিংদা করিমত্তা থৌশাদবা মীওইনি হায়না চৈ থাংখি।

## ইরান্না মশানা শাজবা সর্ফেস-টু-এয়র মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম উৎখ্রে



দুবাই, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি) :
ইরান্না মশানা শাজবনি হায়বা শান্না পাইবা ঙম্বা লৈমায়দগী নোংথক্তা কপ্পা মিসাইল এয়র দিফেন্স সিষ্টেম অমা শগোলশেল নুমিত্তা উৎখ্রে।

লৈবাক অসিনা হৌখিবা জুনদা সর্ফেস-টু-এয়র মিসাইল অমা শীজিন্নদুনা গল্ফদা য়ু এস মিলিটরিগী সর্ভিলেন্স ড্রোন অমা কাপথখিবগী থৌদোক থোকখ্রবনি। ইরান্না ড্রোন অদু লৈবাক অসিগী এয়র স্পেসতা পাইশিল্লকপদা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌজরবসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনদি মদু ইন্টরনেসনল এয়র স্পেসতা পাইরিঙৈদা কাপথখিবনি হায়রি।

ষ্টেট টেলিভিজন্না প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা মোবাইল বাভর-৩৭৩ সিষ্টেম মাইখুম হাংবগী থৌরমদা শরুক য়াবগী শক্তম উৎখি। মোবাইল মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অদুবু ইরানিয়ন মিদিয়ানা রসিয়াগী এস-৩০০ মিসাইল সিষ্টেমগী লম্বানি হায়না ফোঙদোক্লখি। অশানবা এয়র দিফেন্স সিষ্টেম অসিগা লোয়ননা ইরান্না কিলোমিটর ৩০০ দগী হেনবা টার্গেটিশিং নৎত্রগা প্লেনশিং দিটেক্ট তৌদুনা লমখাংদা কাপথবা ঙম্লগনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর অমির হতানি ষ্টেট টেলিভিজন্দা ফোঙদোকখি।

## রোহিঞ্জাশিং ম্যান্মারদা হল্লু য়াদ্রে : বাংলাদেশ



ধাকা, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি) :
রোহিঞ্জা রেফ্যুজিশিংনা মখা তানা মখোয়গী হোমলেন্দদা হল্লু হায়বদা য়ানিংদবা উত্তুনা লৈখিবগা লোয়ননা বাংলাদেশকী ওথোরিটিশিংনা মখোয়বু ম্যান্মারদা হলহন্নবা অনীরকশুবা ওইনা শগোলশেল নুমিত্তা তক্কন্দুনা হোৎনখিবদা মায় পাকখিদ্রে হায়না কেপিটেল ধাকাদা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

রেফ্যুজি, রিলিফ এন্দ রিপেট্রিএসন কম্মিস্নর এম দি অবুল কলাম্না ফোঙদোকখিবদা, বাংলাদেশকী ওথোরিটিশিংনা তঙাইফদবা এরেজমেন্ট পুম্বা লাংবা লোইরবসু রোহিঞ্জা রেফ্যুজি অমত্তনা মশাগী অনীংবা অপাম্বগী মতুং ইন্না ম্যান্মারদা অমুক হন্নিংবা লৈত্রে।

ম্যান্মারগী রোহিঞ্জা মুস্লিম ৭৪০,০০০ বোর্দর লান্না পাক্তক্লনা বাংলাদেশতা লাঞ্জেনহনখিবা কুমজা ২০১৭গী ওগষ্ট ২৫ দা ম্যান্মার আর্মিনা চত্থবা হৌখিবা অকনবা মিলিটরি কেম্প্যেন অদুগী অনীশুবা কুমওন নুমিৎকী মাঙওইননা বাংলাদেশকী ওথোরিটিশিংনা রেফ্যুজিশিং অদুবু মখোয়গী হোমলেন্দদা থাননবা হোৎনরকখিবনি।

মশানা য়ানিংবা ফোঙদোকপশিংগী মশিং ৱাৎপনা মরম ওইদুনা কুমজা ২০১৮গী নভেম্বরদা অহানবা ওইনা রেফ্যুজিশিংবু ম্যান্মারদা হলহন্নবা হোৎনখিবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারনা শগোলশেল নুমিত্তা রোহিঞ্জা ৩৪৫০ ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটতা হলহনবা হৌনবা হৌখিবা চয়োলদা য়ানখি।

ফিভম অদু লৈদুনসু বাংলাদেশকী ফোরেন মিনিষ্টর এ কে মোমেন্না রেফ্যুজিশিং মরমদমদা হলহনবগী থবক লেপ্লোই হায়না ফোঙদোকখি। ধাকাদা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, রেফ্যুজিশিং শোয়দনা হনখিগনি হায়বগী থাজবা ঐখোয়দা লৈ। মসি ম্যান্মারগী প্রোব্লেম ওইবনা মখোয়না লৈখায় তানবা হোৎনজবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিদা ঐখোয়গী মায়কৈদগী ফোর্স অমত্তা শীজিন্নরোই।

ইফে ন্যুজগী মতুং ইন্না রোহিঞ্জা ইমুং ২৩৫ ইন্টরভিয়ু তৌবদা মখোয় ম্যান্মারদা অমুক হন্নিংদে হায়বসি খঙবা ঙমখি হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখি। ইন্টরভিয়ুশিং অদু বাংলাদেশগী ওফিসলশিংগী মতেংগা লোয়ননা য়ু এন রেফ্যুজি এজেন্সি য়ু এন ঐচ সী আরনা পাঙথোক্লিবনি।

## ইন্দিয়া অমসুং অতৈ লৈবাকশিংনা অফঘানিষ্টান্দা টেররিষ্টশিংগা লান্থেংনগদবনি : টম্প



ৱাশিংটন, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি) : ইন্দিয়া, পাকিষ্টান, ইরান, রসিয়া অমসুং টর্কিগুম্বা লৈবাকশিংনা মতম অমদা অফঘানিষ্টান্দা টেররিষ্টশিংগা লান্থেংনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে।

লানগী চৈথেং চাওনা নংলবা লৈবাক অদুদা ৱাশিংটনখক্তনা টেররিজম থেংনবগী ফিভমদা নুংনাংবা উৎলদুনা ট্রম্পনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা, মহাক্না ৱাফম অসি টালিবান্না অফঘানিষ্টান্দা অমুক হন্না লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিং পায়শিল্লকপা ঙমদনবা ৱাশিংটন্না হোৎনবা ঙমদ্রিফাওবা লৈবাক অসিদগী য়ু এসকী ফোর্সশিং মপুং ফানা লৌথোকখিরোই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি।

অফঘানিষ্টান্দা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস)না অমুক হন্না মথি ফোঙলকপগী মতাংদা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ট্রম্পনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হ্বাইট হাউসতা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, মতাং চাবা মতমশিংদা রসিয়া, অফঘানিষ্টান, ইরান, ইরাক, টর্কিনচিংবনসু তঙাই ফদনা লান শোক্লদবা য়াদবগী ফিভম লাক্কনি। ঐখোয়না কালিফেট চাদা ১০০ মুথৎখ্রবনি। রেকোর্দ ওইবা মতমদা ঐহাক্না থবক অদু পাঙথোকপা ঙমখিবগা লোয়ননা হায়রিবা অতৈ লৈবাকশিং অসিনসু লৈবাকশিং অসিদা ওপরেট তৌরিবা আই এস আই এসপু মওং খরদা তকথোকপা ঙমখি।

য়ু এস প্রসিদেন্টনা মখা তানা হায়খি মদুদি, মাইল ৭,০০০ লাপ্পা মফম ওইরবসু য়ু এসনা অফঘানিষ্টান্দা য়ু এসখক্তনা লান্থেংনরি। অমরোমদা, য়ুমথংননা লৈরিবা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান্নদি অফঘানিষ্টানগী লান অসিদা করিমত্তা শরুক য়াদবগী ফিভমদা লৈরি। য়ু এসনা আই এস ফাইটর লিশিং কয়া থল্লি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না য়ুরোপ্পা হৌজিক ফাইটরশিং অদুবু লৌশিনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## য়ু এসকী অনৌবা মিসাইল ঠ্রেটকী পাউখুম রসিয়ানা পীগনি



হেলসিনকি, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি) :
অমেরিকাগী খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাংনা রসিয়াদা ইনৌ নৌনা অকিবা কয়া পোকহনবগা লোয়ননা মোস্কোগী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা পাউখুম পীগনি হায়না রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন্না হায়খ্রে।

য়ু এসনা হন্দক্তা মিসাইল অমা চাংয়েং তৌখিবগী মতাংদা রিয়েক্ট তৌরদুনা পুটিন্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হেলসিনকিদা ফিন্নিস প্রসিদেন্ট সাওলি নিয়াইনিষ্টোগা লোয়ননা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা পুটিন্না হায়খি মদুদি, ৱাশিংটন্না কুমজা ১৯৮৭ কী ইন্টরমিদিয়েট-রেঞ্জ ন্যুক্লিয়র ফোর্সেস (আই এন এফ) ট্রিটিদগী হৌনবী মতুং ইন্না ৱিথদ্রো তৌখিবা মতুং চয়োল ৩ ফাওবা ফাদবা মতমগী মনুংদা য়ু এসনা অনৌবা খুৎলায় অমা চাংয়েং তৌবা উবা হায়বসি রসিয়ানা গভর্নমেন্টগী ওইনদি য়াম্না নীংবা কায়নিংঙাইনি।

ট্রিটি অদুদগী হন্দোক্লবা মতুং য়াম্না কা হেন্না থুনা অমেরিকানশিংনা মিসাইল চাংয়েং তৌখিবনি হায়না নুংনাংবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা পুটিন্না হায়খি মদুদি, অমেরিকানশিংগী থৌওং অসিনা ট্রিটি অদুবু থাদোকপা য়ানবগী মরমশিং থিবা হৌদ্রিঙৈগী মমাংদগী মখোয়না ঈশিংদগী কাপ্পা মিসাইল অমবু কংফালদগী কাপ্পা য়ানবগী থবক হৌখিবনি হায়না ঐখোয়না থাজনবগী অচৌবা মরম পী। য়ু এসগী চাংয়েং অসিনা অনৌবা ঠ্রেট কয়া পীরিবনি হায়না লৌদুনা তঙাইফদনা রসিয়ানা খোঙথাং অসিগী পাউখুম পীগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, পুটিন্না খুৎলায় কন্ট্রোল তৌনবগী খন্ন-নৈনবা মখা চত্থবা হৌনবা আপিল তৌবগা লোয়ননা রসিয়ানা নন-আই এন এফ-কমপ্লাইয়ন্ট মিসাইলশিং দিপ্লোই তৌবা হায়বসি য়ু এসকী মায়কৈদগী অসিগুম্বা খোঙথাং অমা পায়খৎলকপা মতমদা ওইনা পাঙথোক্কনি হায়বা মহাক্না পেরিসতা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱাফম নৌহৌননা পনখি।

## ইন্দোনেসিয়াগী অনৌবা কেপিটেল ইষ্ট কালিমান্টান্দা শেমগৎলগনি



জর্কাতা, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি) :
ইন্দোনেসিয়ানা অনৌবা কেপিটেল অমা বোর্নিও ইথৎতা লৈবা ইষ্ট কালিমান্টান প্রোভিন্সতা শেমগৎলগনি হায়না লৈবাক অসিগী লেন্দ প্লান্নিং মিনিষ্টর সোফ্যান দজালিলনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা হৌখিবা চয়োলদা পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাঙবদা লৈবাক অসিগী কেপিটেল মীওই মিলিয়ন ১০ না কা হেন্না চিন্না লৈবা ঈশিং-নুংশিৎ শেংদ্রবা জর্কাতা সিটিদগী হোংদোকপগী ৱাফম হৌনবী মতুং ইন্না প্রপোজ তৌখিবনি।

ইন্দোনেসিয়াগী মায়কৈদা লৈবা বোর্নিও ইথৎতা রেনফোরেষ্টশিং, ওরংউতানশিং অমসুং কোল রিজার্ভশিংগীদমক্তা মমিং চৎলবা প্রোভিন্স ৫ লৈ। হৌজিক ঐখোয়না অনৌবা কেপিটেলগীদমক্তা চাওরাক্লা ইষ্ট কালিমান্টান প্রোভিন্সতা থম্বগী ৱাফম খন্নরে। তৌইগুম্বসুং চপ চানা করম্বা মফমদা লৈহনগদগে হায়বদুদি খঙদ্রি হায়না সোফ্যান দজালিলনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা মরু ওইবা ওইবা ন্যুজ ৱেবসাইট অমনা ফোঙদোকখি। মিনিষ্টর অসিদা অনৌবা কেপিটেল শেমগৎনবা মফম ওইনা ইষ্ট কালিমান্টানবু খনবা লৈরব্রা হায়না হংখিবনি।

দিভলপমেন্টগী অহানবা ষ্টেজগী ওইনা প্রোভিন্স অদুদা গভর্নমেন্টকী লম হেক্তর ৩০০০ লৈ হায়না মহাক্না মিদিয়াদা ফোঙদোকখি। এদমিনিষ্ট্রেসনগী অনৌবা সেন্টর ওইনবা প্রসিদেন্ট ৱিদোদোনা ইষ্ট কালিমান্টানগী বুকিট সোহর্টো এরিয়া খনগদ্রা নৎত্রগা সম্বোজা টাউন খনগদ্রা হায়বগী মতাংদা মিদিয়ানা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখিবনি।

নেসনল দিভলপমেন্ট প্লান্নিং এজেন্সি বপ্পেনাসকী মকোক বমবাং ব্রোজোনেগোরোনা হন্দক্তা ইথৎ মপৈ অদুগী কন্নেক্তিভিটিগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক্তা অনৌবা কেপিটেল অদু হিথাংফম সিটি অমা ওইগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। অনৌবা কেপিটেল অমা অনৌবা মফম অমদা শেমগৎপদা দোলর বিলিয়ন ৩৩ রোম চঙগনি হায়না পান্নরি।

## ইজরেলনা খুৎলায় এক্সপোর্টকী রুলশিং কোমথোকখ্রে

টেল অভিভ, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি) :
ইজরেলগী টেক্নোলোজিশিং গভর্নমেন্ট খরনা পোলিটিকেলগী য়েক্লবশিংগী মায়োক্তা অরোন-অথুপকী থৌওং কয়া চত্থবদা অমসুং য়ানিংদবা উৎলকপশিংবু নমথবদা শীজিন্নরি হায়রদুনা হ্যুমেন রাইটস অমসুং প্রাইভেসি গ্রুপশিংনা মরাল শীবা কয়া লৈরবসু ইজরেলনা শাথিরবা খুৎলায়শিং মপান্দা য়োনবগী রুলশিং কোমথোকহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ইজরেলি দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা অসিগুম্বা রুলদা অহোংবা অমা পুরকপা মতমদা কম্পনিশিংনা হৌজিক অখন্নবা লৈবাক খরদা প্রদক্ট খরা য়োনবগী মার্কেটিং লাইসেন্স লৌবদা হান্না লৈরম্বা অথিংবা কয়া কোমথোকহনবা ঙম্লগনি হায়না সাইবর সেক্তরগা নকশিন্নবা সোর্স অমনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।

অতৈ অচৌবা দিফেন্স এক্সপোর্টরশিংগুম্না ইজরেলনসু লৈবাক অসিগী খুৎলায়শিং য়োনবগী চৎন-পথাপ অমদি অকুপ্পশিং য়ারিমখৈ পাক শন্না খঙহন্দনা থল্লবসু চহী অমগী মমাংদা অহোংবা অমা চৎনবা হৌখ্রে হায়বসি দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা কনফার্ম তৌখি।

## স্বেদিস পুলিসনা চিংনবা অনী ফারে

ষ্টোকহোম, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি) :
থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা দেনিস কেপিটেল কোপনহেগন্দা লৈবা দেনিস টেক্স এজেন্সিগী মপান্দা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা চেন্নবনি হায়না চিংনবদা য়ুম্ফম ওইরগা স্বিদেন্দা অহেনবা চেন্নবা মীওই অমা ফারে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা স্বিদেনগী প্রোসিক্যুসন ওথোরিটিনা ফোঙদোকখ্রে।

মসিগী মমাংদা হৌখিবা চয়োলদা স্বেদিস নুপা অমা ফাগৎখিবা অমদি অতোপ্পা স্বেদিস নুপা অমনা হৌজিকসু চেন্দুনা লৈরি হায়না কোপনহেগনগী পুলিসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নে হায়না চিংনবা মীওইশিংগী মশিং ৪ শুরে হায়রি


ꯊꯕꯛ/JOB VACANCY

**OFFICE OF THE CHAKPA FINANCE**

URIPOK KHUMALTHEM LEIKAI, IMPHAL WEST - 795001

**Licence No. 296/M/BML/2019**

| S/No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Pay scale | Age |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Security | 4 | viii/x | 9,000 to 18,000 | 18 to 25 year |
| 2. | Reception | 4 | viii/x | 9,000 to 18,000 | 18 to 25 year |
| 3. | Loan Enquiry | 4 | x/xii | 14,000 to 23,000 | 18 to 25 year |
| 4. | Accountant | 2 | xii above | 19,000 to 30,000 | 18 to 25 year |
| 5. | Assistance Manager | 2 | xii above | 19,000 to 30,000 | 18 to 25 year |

***Last date of form submission 26/08/2019 *Interview date 28/8/2019 (2:00pm)**

***Address : Uripok Khumalthem Leikai**

***Interested Candidate can contact us 8118911826/9366675205** HL-P/3970/23,24



/পাইলস ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



নুঙশংগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- নুঙশং পেরে, কক্লাই, পোম্বা-তঙবা, অমাংথোঙ নাম্থবা, চেকখাইবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, মরেং মরেং চৎপা, চক চক থিনবা, তিল লৈবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মচুম তাবা, ঈ তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, চনপ চনপ লাউবা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, পিক্লা মরী অমা ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা শাবা, মপান অকোয়বদা থাগৎপা, ফ্রা ফ্রা লাউনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্লগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা চঙদ্রবা (পদ্রাক পদ্রাক তারবা), লিভর চাউথোকপা অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**

Heingang Awang Leikai, Saya Club, Imphal East - 795002,

HL-P/3764/22aug-22sept. P.O. Mantripukhri, P.S. Heingang #8014023792



# IIBIT

**Indian Institute of Banking and Information Technology**

.A leading Private Bank is looking for Executives under Permanent Post
.**CAS Executive** - Qualification Graduate with age below 28 years
.**Phone Banking Officer** - Qualification Graduate with age below 32 years
.**Branch Relationship Executive** - H.S passed students can also apply
Preference will be given to the candidates who can speak the local language. For details search
.facebook page - Indian Institute of Banking and Information Technology
**-/Salary - 10,000 - 27,000**




.Required Office F.C (Financial Consultant) from Ukhrul, Chandel, Senapati, Tamenglong etc
Salary - 25k + Incentive
.Office Address : Khuyathong, Opposite Senapati Parking
.FB. Page : Indian Institute of Banking and Information Technology, Manipur
HL-B/5582/30/7-29/8 Contact No. : 8729894704, 8729895297